
# এন দি এনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেট খূদিংমক্তা লাক্লিবা ইং ২০২৯ ফাওবদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনরগনি হায়না অমিত শাহনা লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): বি জে পি অমদি নেসনেল দেমোক্রেটিক এলাইন্স (এন দি এ)না লৈঙাক পায়বা লৈবাক অসিগী ষ্টেট খূদিংমক্তা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু সি সি) চৎননবা ৱারেপ লৌরে। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা লাক্লিবা ইং ২০২৯ ফাওবদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনবগী প্রোসেস মপুং ফানা লোইবা ঙম্লগনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।



মুম্বাইদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ মাঙজেৌননা চৎনবা হৌখিবা লৈখ্রে।

লাক্লিবা ২০২৯গী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লিঙৈ মাঙওইননা বি জে পি অমদি এন দি এনা লৈঙাক পায়দুনা লৈরিবা লৈবাক অসিদা লৈবা লেমহৌরিবা ষ্টেটশিংদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ মপুং ফানা চৎনবা ঙম্লগনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈ।

হৌখিবা চহী ২০২৪গী ফেব্রুৱারি থাদা য়ু সি সি বিল পাস তৌখ্রবা মতুং ২০২৫কী জানুৱারী থাদগী উত্তরখান্দদা য়ু সি সি লো চৎনবা হৌখ্রে। য়ু সি সি লো লৈবাক অসিদা চৎনবা উত্তরখান্দনা অহানবা ওইনা হৌদোকখ্রবা মতুং হৌখিবা চহী ২০২৫তা গুজরাট এসেম্ব্লিদসু য়ু সি সি বিল পাস তৌখি। অদুগা অৱাং নোংপোক্কী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদা অসাম এসেম্ব্লিনা য়ু সি সি বিল পাস তৌখি। অসিদা নত্তনা মধ্য প্রদেশ লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হৌখিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোকপা কেবিনেট মীফম্না য়ু সি সি লো এপ্রুভ তৌখিবা লৈখ্রে। গুজরাট, অসাম অমদি মধ্য প্রদেশ লৈঙাক্না পাস তৌখিবা বিল অদু হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্টগী এসেন্ট ফংবা ঙায়দুনা লৈরি। অসিদা নত্তনা মহারাষ্ট্র, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি ছটিশগর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়ু সি সি গা মরী লৈননা অখন্নবা দ্রাফ্ট অমা শেম্নবগীদমক কম্মিটি অমা নৌনা শেমখিবা লৈরে।

লৈবাক অসিগী লৈরিবা ক্রিমিনেল লো অমদি মায়োক্লরিবা টেরোরিজম অমসুং নেক্সালিজমগী চৈথেংগী মতাংদা পল্লদুনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়, ভারতিয়া ন্যায় সনহিতা (বি এন এস) অসিনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ক্রিমিনেল জষ্টিশ সিষ্টেম অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং কনভিক্সন পীবগী রেট চাদা ৩০ হেন্না হেনগৎপা ঙম্লে।

তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল কেসশিং চহী ৩গী মনুংদা লোয়শিন্দুনা জষ্টিশ ফংহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অখন্নবা খোঙথাং লৌখত্তুনা থবক তৌরি।

লৈবাক অসিদা থেংনরিবা ইন্টরনেল সেক্যুরিটিগী মতাংদা পল্লদুনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ৫০ হেন্না নেক্সলাইটকী চৈথেং মায়োক্লদুনা লাকখিবা অদু ঙসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক অসিদগী নেক্সালিজমবু মরূ ফংনা মুখৎপা ঙমখ্রে। অসিদা নত্তনা অৱাং নোংপোক্তা লৈবা তোঙান তোঙানবা খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরম্বা খূৎলায় পায়বা লূপ ১৪গা পিছ এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবসু ঙম্লে।

অৱাং নোংপোক্কী ওইনা ঙসি ফাওবদা খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরম্বা ইন্সরজেন্ট ৯,০০০ হেন্না খূৎলায় থাদোক্তুনা সরেন্দর তৌরকখিবা লৈরে। অৱাং নোংপোক্তা মতম কয়াগী মমাঙদগী লাল হৌবগী চৈথেং মায়োক্লদুনা লাকখিবা অদু ঙসিদি ইং তপ্পগী লম্বীদা হঞ্জিল্লত্তুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ য়াঙশিন্না চঙশিনবা ঙম্লে হায়নসু হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইনিদয়া লৈঙাক্লা আর্টিকল ৩৭০গী অমদি ৩৫এ এব্রোগেসন তৌখিবা অদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মখল অমত্তগী হিংশা য়াওবা থৌদোক ৱাথোক থোকখিবা লৈতে। মসি ইনিদয়া মীয়ামগী ওইনা অচৌবা মায় পাকপা অমনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টেরোরিজমবু মরূ ফংনা মুখৎনবা পান্দম থল্লি। বালাকোট এয়র ষ্ট্রাইক অমদি ওপরেসন সিন্দুর অদু বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা লৈবাক অসিদগী টেরোরিজম্বু মরূ ফংনা মুখৎনবা লেপ্পা লৈতনা মায় পাক্লা চঙশিল্লি হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইমিগ্রেসন, সিটিজেন্সিপ অমসুং দেমোগ্রাফিক্কী ইস্যু মরূ ওইনা অৱাং নোংপোক্তা য়াম্না চাউনা থেংনরে হায়না লৈবাক মীয়াম্না ঙাংন-শক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মহাক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

## জে দি য়ু ঃ য়ু সি সি বিহারদা চৎনবা য়ারোই, বিল অসিগী মায়োক্তা লৈগনি

পটনা, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লাক্লিবা ২০২৯ ফাওবদা বি জে পি অমদি এন দি এনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু সি সি) চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ওন্ন-তৈনবদা বি জে পিগা মপাং ওইনা চৎমিন্নরিবা জে দি য়ু গী মকোক থোংবা লুচিংবা শ্যাম রাজকনা বিহারদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনবা য়ারোই। বিল অসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরক্লবদি জে দি য়ুনা মদুগী মায়োক্তা লেপকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।




নিতিশ কুমারনা লুচিংবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ), জে দি য়ুগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা শ্যাম রাজকনা পাউমীশিংগা উন্নবদা নিতিশ কুমারনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ বিলগী মায়োক্তা লৌখিবা ৱারেপ অদু ঙসিসু মখা তানা লেঙদনা লৈরি।

য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খন্ননবগীদমক পার্লিয়ামেন্টতা পুথোরকপা মতমদা জে দি য়ুগী লীদর নিতিশ কুমারনা বিল অসিবু সপোর্ট তৌই। অদুবু বিহারগী ওইনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনবদি য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

বিহারদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা মীওই অসি বি জে পিদগীনি। অদুবু লৈঙাক অসি জে দি য়ু, এল জে পি (রাম বিলাস) অমদি রাষ্ট্রিয় লোক মোর্চাগী অপুনবা এন দি এগী লৈঙাক অমনি। মরম অদুনা বিহারদা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসি ইন্দিপেন্দেন্ট গভর্ণমেন্ট অমা নত্তে। মরম অদুনা য়ু সি সি লো ষ্টেট অসিদা চৎনগদ্রা নৎত্রগা চৎনরোইদ্রা হায়বগী মতাংদা ফাওবা খন্নবগী কান্নবা লৈতে হায়নসু শ্যাম রাজকনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স চথখরবদি মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটিশিংনা চাদা চাম্মা হেন্না চৈথেং নংগনিঃ ওবেসি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অসামদা চথখিবা অদুদা মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটি অমা ওইরিবা সেদুল্ড কাষ্ট, সেদুল্ড ট্রাইব অমদি মাইগ্রেন্টশিংনা খ্বায়দগী চাউবা চৈথেং মায়োক্লখি হায়না পল্লদুনা লৈবাক অসিদা এন আর সি পাক শন্না চথনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌরাং তৌরক্লবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটি অমদি মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা চাদা ১০০ হেন্না খ্বায়দগী চাউনা অৱাবা মায়োক্লগনি হায়না এ



আই এম আই এমগী চীফ অসাদউদ্দিন ওবেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টতা থাদোরকপা ৱারোল অমদা অসামদা চথখিবা এন আর সি অদুদা মাইনোরিটি, এস সি, এস টি অমসুং মাইগ্রেন্টশিং য়াম্না চাউনা অৱাবা নংখিবা ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙন উনরবা ঙাক্তনি হায়রি।

এন আর সি চথরবদি মীয়াম্না লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমনি হায়বগী মথৌ তাবা শক্তাকচে পুথোকপা মথৌ তারগনি। অদুবু রসনগীদমক লৈঙাক্তা তাংজদুনা হিংলিবা মীওইশিংনা হায়রিবা সিটিজেনগা মরী লৈনবা শক্তাকচেশিং অদু মতৌ করন্না পুথোক্কদৌরিবনো।

এন আর সিগী প্রোসেস চথবা হৌরক্লবদি লৈবাক মীয়াম্না লৈবাক অসিগী সিটিজন অমনি হায়না তাক্লবগীদমক পরেং লেংদুনা মথৌ তাবা দোকুমেন্টশিং উৎপা মথৌ তারগনি। রসনগীদমক লৈঙাক্তা তাংজদুনা হিংলিবা ক্রোর ৮০ হেনবা মীয়াম অসিবু কদায় ফাওবা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমনি হায়না উৎনবগীদমক থবক তৌগদৌরি হায়নসু এ আই এম আই এমগী চীফ অসাদউদ্দিন ওবেসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা হংলক্লি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইজিপ্টকী প্রসিদেন্ট এল-সি সিগা উনদুনা বাইলেটরেল টোক চথখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিগী ভারত মান্দপমদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিতকী খূদোংচাবা লৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি প্রসিদেন্ট অবদেল ফতাহ এল- সি সিগা বাইলেটরেল টোক চথদুনা ইন্দিয়া অমদি ইজিপ্টকী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসন্সিপ অসি অমুক্কা হন্না খোঙফম চেৎশিলহনখ্রে।




হৌখিবা চহী ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৮দগী হৌদুনা ইন্দিয়া অমদি ইজিপ্টকী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী দিপ্লোমেটিক মরী অমা শেমদুনা ঙসি ফাওবা লৈবাক অনীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হীরমদা পার্টনরসিপ ওইদুনা থবক তৌদুনা লাকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা মে থাদা ইজিপ্টকী ফোরেন মিনিষ্টর বদর ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ব্রিক্স ফোরেন মিনিষ্টরগী মীফমদসু শরুক য়াখি। ফোরেন মিনিষ্টর বদরগী ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না মতম অদুদসু ইজিপ্ট অমদি ইন্দিয়াগী লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসন্সিপকী মতাংদসু নাকল অনীগী মরক্তা উনদুনা ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, ইথিওপিয়া, ইরাক, সাউদি অরাবিয়া, য়ু এ ই অমদি ইজিপ্ট হৌখিবা চহী ২০২৪গী জানুৱারী থাদা ব্রিক্সকী মপুং ফাবা মেম্বর অমা ওইনা নৌনা য়াওখিবনি।

হন্দক চহীগী ওইনা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স সম্মিত ২০২৬ অসিদা ইজিপ্টপু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা প্রসিদেন্ট এল সি সিনা সম্মিত অসিদা শরুক য়াখি। সম্মিত অসিদা প্রসদেন্ট এল সি সি অমদি রশিয়াগী প্রসিদেন্ট পুতিনগসু উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে।

### Crossword # 1144



Across
1. Throat-clearing sound
5. Urgent abbr.
9. Brief
14. Not taped
15. Wine-producing valley
16. Customary
17. School leader
19. Diamond and Armstrong
20. Not often
21. Rip apart
23. Formerly named
24. Emporium
26. Distinctive time
28. Agreeable
32. Unidealistic one
36. Musical group
37. Stitched
39. Operator
40. Norwegian city
41. Guided
42. Horse's hair
43. Active person
44. Migratory birds
46. Space gp.
47. Went inside
49. Tempted
51. Bear's hideaway
52. Computer fodder
53. Fire leftover
56. Sandwich store
58. Attraction
63. Depart
65. Pointed out
67. Creepy
68. Official stamp
69. Warbled
70. Dairy product
71. Upper limbs
72. Slipper

Down
1. "Heidi" setting
2. Employ
3. Corrupt
4. Fix
5. Creatures
6. Plant juice
7. Separated
8. Colorless
9. Frozen wasteland
10. WNW's opposite
11. Destroy
12. Discount event
13. In addition
18. Grooming aid
22. Lack
25. Felt dizzy
27. Graduates
28. Home
29. Bricklayer
30. Narrow channel
31. Loved dearly
32. What Moses parted (2 wds.)
33. Author ____ Asimov
34. Perceive
35. Tire pattern
38. Miniature
44. Cowboy ____ Autry
45. Involves
48. Cash in
50. Powder mineral
52. Roadside eatery
53. Guinness of "Star Wars"
54. Observer
55. Rabbitlike animal
57. ____ Kudrow of "Friends"
59. Lad's girl
60. Western state
61. Gambling city
62. Border
64. Through
66. Beaver project

পাউখুম লমায় ৭দা ...

## মীওই অনী ফাখ্রে

ফজিলকা, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): জলালবাদ সিটি পুলিসতা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক্ট চথবদা চেন্নবা মীওই অনী পঞ্জাব পুলিসনা ফাখ্রে হায়রি।

পঞ্জাব পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদুদি গুরপ্রিত সিংহ অমদি মনপ্রিত সিংহ কৌই। পঞ্জাব পুলিসকী মতুং ইন্না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবা শরুক্তা জলালবাদ সিটি পুলিস ষ্টেসনদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক্ট চথরকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং মকোকথোংবা পুলিস ওফিসর কয়ানা লুচিংবা তোঙান তোঙানবা টিম শেম্লবা মতুং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা থৌদোক অসিগী মতাংদা চেন্নবা মীওই অনী মায় পাক্লা অসি ফাবা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

### সনা-সুদোকু-১০৭৯গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 8 | 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 1 | 6 |
| 2 | 9 | 1 | 7 | 6 | 8 | 3 | 4 | 5 |
| 3 | 4 | 6 | 5 | 2 | 1 | 9 | 7 | 8 |
| 8 | 5 | 3 | 1 | 9 | 2 | 4 | 6 | 7 |
| 6 | 1 | 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 2 | 9 |
| 9 | 2 | 4 | 8 | 7 | 6 | 5 | 3 | 1 |
| 1 | 7 | 8 | 2 | 5 | 3 | 6 | 9 | 4 |
| 4 | 3 | 9 | 6 | 8 | 7 | 1 | 5 | 2 |
| 5 | 6 | 2 | 9 | 1 | 4 | 7 | 8 | 3 |

## অরুনাচল প্রদেশঃ শেঞ্জা থুমজাগী মরালদা হান্নগী দি এফ ও ফাখ্রে



ইতনগর, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): অরুনাচল লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর (দি এফ ও) ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী লুপা ক্রোর ৩১.৯৩গী শেনফম মফম খঙদনা মাঙহনখিবগী মরালদা এন্টি করপ্সন ব্যুরো (এ সি বি)না ফাদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথখ্রে।

এ সি বিগী মতুং ইন্না ফারবা হান্নগী দি এফ ও অদুদি চুখু রোমা কৌই। কেস নম্বর ০৯ /২০২৫কা মরী লৈননা মহাকপু ফাবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ত্রিপুরা-মিজোরম ঙমখৈগী ইসু লোইশিন্নবা মীফম পাঙথোক্লগনি

অগরতলা, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): মতম কয়াগী মমাঙদগী ত্রিপুরা অমদি মিজোরমগী ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা চয়েৎনদুনা লৈরিবা অসি য়াশিন্নবা পুরক্তুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা নাকল অনীগী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ত্রিপুরাগী হোম সেক্রেটরী অভিসেক সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা থা অসিগী ৯দা ত্রিপুরা অমদি মিজোরমগী চয়েৎনদুনা লৈরিবা ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখিবসু লৈখ্রে।

হোম সেক্রেটরী অভিজিৎ সিংহনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তনা ত্রিপুরা অমদি মিজোরম ঙমখৈ পরিগী অসু লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়নসু মখা তারক্লি।




## তেহলকাগী হান্নগী এদিটর তরুন তেজপাল সেক্সুয়েল এসোল্ট কেসকী মরালদা জেল চঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০১৩দা থোকখিবা সেক্সুয়েল কেস অমদা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না চহী ১০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবা তেহলকাগী হান্নগী এদিটর ইন চীফ তরুন তেজপাল গোৱাগী মপুশাদা লৈবা এদিসনেল সেসন কোর্টতা সরেন্দর তৌরবা মতুং কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে।



হৌখিবা ওগষ্ট ২৫দা সুপ্রিম কোর্টনা চয়োল অহুমগী মনুংদা সরেন্দর তৌনবা খঙহনখিবা অদুগী মতুং ইন্না তরুন তেজপালনা কোর্টতা সরেন্দর তৌখিবনি। অদুবু সেক্সুয়েল কেসতা মরাল লৈরে হায়না জজমেনন্ট পীখিবা কোর্টকী দিরেক্টিভ অদুবু শীংনরদুনা কোর্টতা তরুন তেজপালনা আপিল তৌরকখিবা অদুগী মতাংদা লাক্লিবা থা অসিগী ২২দা মথৌ তাবা হিয়ারিং চথরগনি হায়নসু কোর্টনা ওর্দর থোকখ্রে।

## অসামঃ মশামক্কী নুপীবু মঙক কত্তুনা হাৎখিবা নুপা পুলিস গাড়ীদগী চোংথদুনা শিজখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি): মশামক্কী নুপীবু মঙক কত্তুনা তমথিনা হাৎখিবা নুপা পুলিস গাড়ীদগী চোংথদুনা শিজখ্রে।

হাতিগাও পুলিসকী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং গোস্বামী কৌই। হৌখিবা থা অসিগী ৩দা মশামক্কী লোয়নবী রিয়া তলুকর (২৫)বু মঙক কত্তুনা হাৎলবা মতুং নুপী অদুগী ফিভম থিনা শোক্লবা মকোক অদু রেফ্রিজরেটরদা হাপ্তুনা থল্লম্বা থেংনবদগী গোস্বামীবু ফাদুনা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখত্তুনা ঙসি ফাওবা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লাকখিবনি। ইনভেষ্টিগেসনগী মনুং চন্না ঙসি অয়ুক অঙনবা মতমদা গোস্বামীবু গুৱাহাতি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা মেদিকেল এগজামিনেসনগীদমক চৎলুরবা মতুং হাতিগাও পুলিস ষ্টেসন তন্না হল্লকপগী লম্বীদা গোস্বামীনা খঙহৌদনা পুলিস পার্সনেলশিংদা এটেক্ট তৌদুনা লেপ্পা লৈতনা থৌরিবা পুলিসকী গাড়ীদগী চোংথবদগী গোস্বামী ফিভম শাথিনা অশোক অপন নংখি।

শোক্লবা গোস্বামীবু খুদক্তা হাতিগাও পুলিস ষ্টেসনগী মরী লৈনবা পুলিস পার্সনেলশিংনা অনা লায়েংগীদমক জি এম সি ঐচতা পুখৎখি। অদুবু ডাক্তরনা গোস্বামী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা গোস্বামী ২০১৯দা ফাইনান্সিয়েল ফ্রোদ কেসকা মরী লৈননা পুলিসনা ফারুবা মীশক্লিসু হায়রি।

WANTED PARTNERSHIP INVESTORS

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735

SL/KK



# ইন্দিয়া অমদি চাইনা য়েক্লবগী মহুৎ পার্টনরসিপ ওইনা চৎমিন্নগদবনি হায়না য়ানখ্রে ঃ চাইনা



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ূম্থু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স সম্মিত অদুদা ইন্দিয়া অমদি চাইনা য়েক্লবা ওইবগী মহুৎ অমত্তা ওইনা পার্টনরসিপ ওইদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙম্লে হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী ওফিসিয়েল মেদিয়া অমদা ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা হায়, ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লৈরিবা খ্বায়দগী মকোক থোংবা লুচিংবা অনীগী মরক্তা ষ্ট্রেতেজিক্কী ওইবা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়নননা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসন্সিপ অসি অমুক্কা হেন্না খোঙফম চেৎশিলহন্দুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ য়াংশিন্না চঙশিনবা হায়না য়ানখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিত অদুগী খূদোংচাবা লৌরগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নবা অদুদা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী লৈরিবা পাঙ্গল, মথৌনা অসি অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা চাউখৎপগী লম্বীদা অমত্তা ওইনা চঙশিনবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ পরিং অসিগী মতাংদা লৈবাক অনীগী লুচিংবা নীনা অমনা অমগগী ৱাখল্লোনবু ইকায় খুন্নবগা লোয়নননা ব্রিক্সকী চেয়রমেন্সিপকী থৌদাং অসি তাঙ্কক নাইনা থৌদাং পুনবা হায়না য়ানখি। অসিদা নত্তনা লাক্লিবা ২০২৭ অসিদা চাইনানা চেয়র লৌদুনা ব্রিক্স সম্মিত পাঙথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা মখা তানা হায়, চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরম্বা অনেম্বা থাক্কী মরী অদু ঙসিদি অমুক হন্না নৌনা রিষ্টার্ট তৌদুনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা পুন্না থবক তৌদুনা মায় পাক্লা চঙশিনগনি হায়বগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসন অসি তপ্না তপ্না মপাঙ্গল কনখৎলক্লি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা ললোন-ইতিক্কী ওইবা মরী অসি হান্নগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক খুমাঙ য়াংশিন্না চঙশিনবা ঙম্লে। অসিদা নত্তনা লৈবাক অনীগী মীয়ামগী মরক্তা মাগী মাগী ৱাখল্লোন এক্সচেঞ্জ তৌনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা পাকথোক চাউথোরক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকবিদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা থাজনবগী মরী অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা খেন্নবা ৱাখল্লোন কয়া অসি ৱারী শান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরগনি।

নাকল অমরোমদা ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িগী মতুং ইন্না নরেন্দ্র মোদিগী মায়কৈদগী শুপ্নতগী য়ুমথংনবা লৈবাক অমগী মরী অমা থম্বগী মহুৎ পার্টনরসিপ ওইবগী মরী থমদুনা চাউখৎ খোঙথাংগী থবক থৌরমশিংদা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা থেংনরিবা চেলেঞ্জেস কয়া অসি মায় পাক্লা থেংনমিন্নসি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

# জে ই এমগী চীফ মাসুদ অজাৎ মীচেন্নি হায়না লাউথোকপগা লোয়নননা রিৱার্দকী শেনফম হেনগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): পাকিস্তানগী ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ)না জৈস-ই-মোহম্মদ (জে ই এম) গী চীফ মাসুদ অজাদপু মোষ্ট ৱান্টেদ টেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোকপগা লোয়নননা মহাক্কী ই-পাউ পীবা ঙম্বদা পাকিস্তান লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী করেন্সিদা পুন্না লুপা লাক্ষ ৫০ রিৱার্দ ওইনা থম্লম্বা অদু লুপা লাক্ষ ৭০দা নৌনা হেনগৎখ্রে।

লাক্লিবা ওক্তোবর থাদা ফাইনান্সিয়েল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী লৈরিবা প্লেনেরি সেসন অসিগী মাঙওইননা পাকিস্তানবু টেরোরিষ্টশিং শৌগৎপা লৈবাক অমনি হায়না মালেমগী মীয়ান্না উদনবগীদমক পাকিস্তান লৈঙাক্না লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাং অমনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০২১দগী হৌদুনা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী জে ই এমগী চীফ মাসুদ অজাদ পাকিস্তানদা লৈত্রে। মহাক মীচেন ওইদুনা অফগানিস্তানদা লোৎখ্রে হায়না ঙসি ফাওবা ফোঙদোক্তনা লাক্লি। চহী ৫গী মতুং মীচেন ওইদুনা লৈরিবা মাসুদ অজারগী মরিক চুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা পাকিস্তান লৈঙাক্না হান্না থম্লম্বা রিৱার্দকী শেনফম অদুদগী লুপা লাক্ষ ৭০দা হেনগৎখিবনি।

অদুবু ইন্দিয়ান ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী মায়কৈদগী হৌখিবা থা ৬ লোম অসিদা টেক্নিকেলদা য়ুম্ফম ওইরগা চথরকখিবা এনালাইসিসতা জে ই এমগী চীফ মাসুদ অজাদ হৌজিক হৌজিক পাকিস্তানগী সিন্দ প্রোভিন্সকী মনুং চনবা নৱাব শাহ সিটিদা লোত্তুনা লৈরি হায়না রিপোর্ট তৌরকখ্রবনি।

পাকিস্তানগী ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ)গী মায়কৈদগী চহী অসিগী ওইনা খ্বায়দগী নৌনা ফোঙলিবা রেদ বুক অসিদা হৌখিবা চহী ২০০৮কী নবেম্বর থাদা মুম্বাইদা চথুখিবা এটেক্ট অদুদা চেন্নবা টেরোরিষ্ট ১৯গী মমিংসু য়াওরি। হায়রিবা টেরোরিষ্টশিং অসি মুম্বাই টেরর এটেক্ট অদুদা ফাইনান্সিয়েল সপোর্ট, লোজিষ্টিকেল এসিষ্টেন্ট অমদি হি এরেঞ্জ তৌখি হায়না মরাল শীরি।

মুম্বাই টেরর এটেক্ট অদুদা চেন্নবা টেরোরিষ্টশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা হীরমদা মতেং পাংখি হায়না এফ আই এনা মরাল শীরিবা টেরোরিষ্টশিং অদুদি অল হুসাইনি, অল ফাউজ, মোহম্মদ অমজাদ খান, সাহিদ গাফুর, মোহম্মদ উসমান, অদিপউর রহমন, রিয়াজ অহম্মদ, মোহম্মদ মুস্তাফ, মোহম্মদ নায়িম, গাজি খান, অব্দুল সাকুর, মোহম্মদ সাবির সালফি, মোহম্মদ উসমাল অমদি সাকিল অহম্মদনি। অসিদা নত্তনা মোহম্মদ ইফদি খান আলি, মোহম্মদ জিয়া, মোহম্মদ অবাজ নাসির, জবেদ ইকবাল, মুক্তার অহমদ অমদি অহমদ সায়িদনা মুম্বাই টেরির এটেক্ট অদুদা চেন্নবা এটেকরশিংদা ফাইনান্সিয়েলগী ওইবা মতেং পাংখি হায়না মরাল শীরি।

হৌখিবা চহী ৫ অসিদা এফ আই এগী রেদ বুক অসিগী মতুং ইন্না মোষ্ট ৱান্টেদ টেরোরিষ্টশিংগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপসু থেংনরি।

# রশিয়াদা এটেক্ট চথবা লেপ্নবা দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টদা কোল তৌদুনা খঙহনখ্রে



কয়িব, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): য়ুক্রেননা রশিয়াগী ওইল রিফাইনরি, দিজলনচিংবা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা লেপ্তুনা এটেক্ট চথবা অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। মরম অদুনা খুদক্তগী রশিয়াগী ওইল রিফাইনরিশিংদা এটেক্ট চথবগী থবক লেপ্নবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা টেলিফোন কোল তৌদুনা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা থা ৪ রোম অসি য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী রশিয়াগী লৈরিবা ওইল অমদি গ্যাস ইন্দষ্ট্রিশিংদা টার্গেট তৌদুনা লেপ্তুনা এটেক্ট চথরক্লি। য়ুক্রেননা চথরক্লিবা এটেক্ট অসিনা মাঙহন তাকহল্লবা ওইল রিফাইনরিশিং অদুদগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুথোকপা লেপখিবা অসিনা মরম ওইরগা হৌখিবা জুলাই থাদগী হৌদুনা রশিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মালেমগী লৈরিবা পেট্রোলিয়মগা মরী লৈনবা কৈথেলশিংদা দিজল য়োনবগী থবক থিংজিন্দুনা থম্লকখিবনি।

অমরোমদা, য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুথোক পুশিন তৌবগী খ্বায়দগী মরুওইবা ঈশিং লম্বী অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ হান্নগী মতৌগুম ওপরেট তৌবা ঙমদনা লাকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী অৱাবসু মায়োক্লদুনা লৈরিবনি।

# ‘পাকিস্তান ফোর্সতা এটেক্ট চথখিবশিং অদু বি এল এফননি’

বালোচিস্তান, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): বালোচিস্তানদা লৈবা পাকিস্তানগী মিলিটরি পোজিসন অমসুং হায়ৱে চ্যেক পোইন্ট কয়াদা এটেক্ট চথদুনা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংদগী মশীং য়াম্লবা খূৎলায় কয়া লৌখৎখিবনচিংবা রিজন অসিদা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মথক্তা কয়ারক হন্না এটেক্ট চথরিবশিং অসি বালোচিস্তান লিবরেসন ফ্রন্ট (বি এল এফ)কী মায়কৈদগী চথবনি হায়না ক্লেইম তৌরক্লি।

বালোচিস্তান পোষ্টকী মতুং ইন্না বি এল এফকী স্পোক্সপার্সন মেজর গ্বাহরাম বালোজনা হায়, হৌখিবা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা বি এল এফকী ফাইটরশিংনা মন এরিয়াগী মনুং চনবা কো দগারদা লৈবা মেন হায়ৱেদা মরুওইবা চ্যেক পোইন্ট হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথরিবা অসি রিজন অসিদা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্তনবা লৌখৎলকপা বি এল এফকী অখন্নবা খোঙথাং অমনি অমসুং পাকিস্তানগী লৈরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অসিদা চঙথোক চঙশিন তৌবদগী থিংনবসুনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা থা অসিগী ১০দা খারনদা লৈবা য়াকমাসকী টকা এরিয়াগী মফম অমদা পাকিস্তান মিলিটরিগী কনভোই অমদা বি এল এফ ফাইটরশিংনা এম্বুশ তৌদুনা অকনবা মওংদা লান্দা চথখ্রে। এটেক্ট অদুদা পাকিস্তানগী সেক্যুরিটি পার্সনেল ৬ হাৎখিবগা লোয়নননা মশীং য়াম্লবা পার্সনেল কয়া অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিদা নত্তনা হৌখিবা থা খরগী মনুংদা বালোচিস্তানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাকিস্তানগী মিলিটরিশিংনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এটেক্ট চথরকখিবা অদু বি এল এফনা অতম্বনা খুজিল থৌরাং তৌদুনা চথবা এটেক্টশিংনি হায়নসু ক্লেইম তৌরক্লি।

# নেপালগী ফোরেন্সিক কেপাসিটি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা য়ু এসনা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১ পীগদৌরি



কাথমান্দু, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): হৌখিবা ওগষ্ট ২৬তা নেপালদা খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওই কয়াগী অশিবা হকচাং ফোরেন্সিক টেষ্ট তৌদুনা আইদেন্টিফাই তৌনবগী লৌখৎলক্লিবা ফোরেন্সিক ওপরেসন অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা আইদেন্টিফিকেসনগী থবক থুনা য়াংনা লোইশিন্নবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মায়কৈদগী নেপালগী লৈরিবা ফোরেন্সিক দিপার্টমেন্ট অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা পুন্না য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ু এস এম্বেসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ১,৪০০ লৈখিদবা অমসুং মীওই ৫,০০০ হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরিবা নেপালদা চথরিবা রেস্ক্যু, ফোরেন্সিক, রিলিফ ওপরেসন্নচিংবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন চথরিবা অসিবু খুমাঙ য়াংশিন্না চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১ গী শেনফম নেপাল লৈঙাক্তা পীবদা য়ু এস লৈঙাক্না এপ্রুভ তৌরে।

য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তেঙবাং ওইনা পীগদৌরিবা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১গী শেনফম অসি ষ্টেট দিপার্টমেন্ট ব্যুরো ওফ ইন্টরনেসনেল নার্কোটিক্স এন্দ লো ইনফোর্সমেন্ট এফিয়ার্সকী খুত্থাংদা পীবনি। শেন্থং অসিনা দি এন এ এনালাইসিস কিদ য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফোরেন্সিক ওপরেসনদা মথৌ তাবা এসিষ্টেন্ট কয়াসু সপোর্ট তৌবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, লাক্লিবা থা ৩গী ওইনা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা নংলবা নেপালদা চান-থক্লবগী মচাকশিং ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামগী মখাদা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৩গী চান-থক্লবা অমদি লোজিষ্টিক সপোর্টসু য়ু এসকী মায়কৈদগী তেঙবাং ওইনা পাংলকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# দাটা টেম্পেরিং তৌবগী ৱাহৌদা জপান ন্যুক্লিয়ার পাৱর প্লান্টকী প্রসিদেন্ট রিজাইন তৌরগনি



তোকিও, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): জপানদা চথরিবা ন্যুক্লিয়ার প্লান্টকী মরু ওইবা দাটা কয়া টেম্পরিং তৌবগী মতাংদা থোক্লিবা স্কেন্দল অসিগা মরী লৈননা ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট অসিগী প্রসিদেন্ট রিজাইন তৌরগনি হায়রি।

জপানদা য়ুম্ফম ওইবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না আর্থক্বেক্ট অমদি সুনামিনা মরম ওইরগা ফুকুসিমা এটোমিক প্লান্ট ওপরেট তৌবা ঙমদনা লাক্লবা মতুং চহী ১৫ রোম অসিদা অমুক হন্না জপানগী ন্যুক্লিয়ার পাৱর রিভাইব তৌনবা জপান লৈঙাক্না অনৌবা ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট ওপরেসন অমা চথদুনা লাক্লি।

অদুবু পাৱর প্লান্ট অসিগী মরুওইবা দাটা কয়া শেমদোক শেমজিন তৌরে হায়বা রিপোর্ট অমা থোক্লকপদগী ন্যুক্লিয়ার পাৱর প্লান্ট অসি মায় পাক্কদৌরিব্রা হায়বা অদু তম্বা ঙমদবগী ফিভমদা লাক্লে। ফিভম কয়া অসিনা মরম ওইরগা পাৱর প্লান্ট অসিগী প্রসিদেন্ট কিংগো হয়াসিনা প্রসিদেন্টকী ফমদগী রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

# মারিক-তাইসদা হাউথিজ রিবেলশিংগী খোঙফম চেৎশিনখ্রে

মারিক, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): হাউথি রিবেলশিংনা মারিকতা লৈবা ষ্ট্রেতেজিক ওইল অমদি গ্যাস পুথোকপা প্রোভিন্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ষ্ট্রেতেজিক লোকেসন কয়া নৌনা খুদুম চনবা ঙমখ্রে। মারিক য়াওনা তাইস সিটি হাউথিনা নৌনা খুদুম চনখিবা অসিনা মরম ওইরগা য়েমেন লৈঙাক্কী মথক্তা প্রেসর হেনগৎলকখ্রে।

মালেমগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী মতুং ইন্না সাউদি অরাবিয়া লৈঙাক্কী ষ্ট্রোং হোলনি হায়রিবা মারিক অমদি তাইসতা হাউথি রিবেলশিংনা লেপ্তুনা খুদুম চনবা হেনগৎলক্লি। হৌখিবা চহী ২০১৫দগী হৌদুনা য়েমেনদা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিদা মারিক অসি লৈঙাক্কী ওইনা খ্বায়দগী মরুওইবা ষ্ট্রেতেজিক লোকেসন অমা ওইদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা মফম অসি য়েমেনগী লৈরিবা আর্মিগী মরুওইবা ষ্ট্রেতেজিক পোইন্ট অমা ওইবদা নত্তনা ওইল অমদি গ্যাস প্রদক্সন তৌবা য়াম্না মরুওইবা পাৱর ষ্টেসন অমসু ওইরিবনি। য়েমেননা নৌনা খুদুন চনশিনখিবা অসিনা য়েমেন লৈঙাক্কী মথক্তা হেন্না কনবা চৈথেং অমা ময়োক্লরগনি হায়রি।

ক্রোসৱার্দ ১১৪৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | H | E | M | | A | S | A | P | | T | E | R | S | E |
| L | I | V | E | | N | A | P | A | | U | S | U | A | L |
| P | R | I | N | C | I | P | A | L | | N | E | I | L | S |
| S | E | L | D | O | M | | R | E | N | D | | N | E | E |
| | | | | M | A | R | T | | E | R | A | | | |
| A | M | I | A | B | L | E | | R | E | A | L | I | S | T |
| B | A | N | D | | S | E | W | E | D | | U | S | E | R |
| O | S | L | O | | | L | E | D | | | M | A | N | E |
| D | O | E | R | | G | E | E | S | E | | N | A | S | A |
| E | N | T | E | R | E | D | | E | N | T | I | C | E | D |
| | | | D | E | N | | D | A | T | A | | | | |
| A | S | H | | D | E | L | I | | A | L | L | U | R | E |
| L | E | A | V | E | | I | N | D | I | C | A | T | E | D |
| E | E | R | I | E | | S | E | A | L | | S | A | N | G |
| C | R | E | A | M | | A | R | M | S | | S | H | O | E |

# গ্লোবেল ৱার্মিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি, ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহনবদা চাউনা চেন্নরিবা লৈবাকশিংনা থবক লৌখৎপা মথৌ তারে ঃ য়ু এন




ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৪, (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এনভাইরোনমেন্ট প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা ১.৫ দিগ্রী সেলসিয়স হেন্না শাবা থেংনরে। চহী খরগী মতুংদা শাবগী চাং অসি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লুনা মালেমগী ওইনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী অকনবা চৈথেং মায়োক্লবা য়ানা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এনভাইরোনমেন্ট প্রোগ্রামনা ‘লিমিটেদ ওভরসুট’ হায়না মিংথোন্দুনা ফোঙবা রিপোর্ট অমদা ইন্দষ্ট্রি লৈতবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা শাবগী চাং অসি ১.৮ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা শারকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরে। অদুবু ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টর পাক শন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মালেমগী মফমশিংদা শাবগী চাং অসি অদুক্কী মতিক খূদোংথিনিঙাই হেন্না শারকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন বোদিগী মায়কৈদগী মালেমদা থেংনরিবা গ্লোবেল ৱার্মিং অসি মায় পাক্লা থেংনগে হায়রবদি মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা পোলিটিকেল ৱিল অমা লৌদুনা তাঙ্কক কয়াগী মতেং পাংনদুনা মথৌ তাবা তেঙবাং পুন্নমক পুথোক্তুনা হোৎনবা মথৌ তাই। হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি ইক্যিটি অমদি জষ্টিশকী লৈরিবা প্রিন্সিপলদা য়ুম্ফম ওইরগা চত্থগদবনি।

মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা ক্লাইমেট চেঞ্জ অসিদা খ্বায়দগী মকোক থোংনা চেন্নরিবা লৈবাকশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জ মায় পাক্লা থেংননবা হোৎনবদা খ্বায়দগী চাউনা থৌদাং লৌগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ান ওসিনগী লৈরিবা মেরিন ইকো সিষ্টেম অসি ২০০ মিটর য়ৌনা লৈনুং চঙখিবা অসিনা মরম ওইরগা শাবগী চাং থুনা য়াংনা হেনগৎলকপা থেংনরি। শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা সমুদ্রদা তাংজরগা হিংলিবা শা-ঙাশিংনা হিংনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরি।

ইন্দিয়ান ওসিনদগী থোরক্লিবা এসিদিফিকেসন অসিনা লেপ্তুনা সমুদ্রগী ঈশিংবু এসিদ চেনবা লেপ্তুনা হেনগৎহল্লক্লি হায়নসু য়ু এনগী রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

SL/Jina/15

CLOSING CEREMONY
OF
WORKSHOP CUM PRODUCTION OF TUBI LAMBUBA
Under
Minister gi Artists Singi Tengbang (CMAT)
Date : 13th September, 2026
Venue :
Chanura Odeum Khurai Chairenthong
Oganised by:
ARDAC - THE SAIYON
Sponsored by:
Department of Arts. & Culture
Govt. of Manipur

SL/Mocha/13to24



# ইন্দিয়ানা ৬লক শুবা ওইনা জুনিয়র মেন'স হোক্কী এসিয়া কপ ২০২৬কী টাইটল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে



মোচি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি)ঃ চাইনাগী মোচিদা শান্নখিবা জুনিয়র মেন'স হোক্কী এসিয়া কপ ২০২৬কী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা কোরিয়াবু গোল ৪-১দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা কপ অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়ানা তরুকলকশুবা ওইনা টাইতল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা ২০০৪, ২০০৮, ২০১৫, ২০২৩ অমসুং ২০২৪দা টাইতল লৌবা ঙমখ্রবনি।

মঙারক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ানা শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা কম্পিটিসন অসিদা মখোয়গী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা পুৱারীদা অনৌবা তাঙ্কক অমা হাপচিনবা ঙমখি। ইন্দিয়া মেন'স জুনিয়র এসিয়া কপকী পুৱারীদা মখোয়বু খ্বাইদগী মায় পাকপা টিম ওইবসু ঙমখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অসি ইন্দিয়ানা হেন্না খুদুম চন্দুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টরগী মিনিট ৭কী মতুংদা মখোয়গী অহানবা পেনাল্টি কোনর ফংখি। অদুবু কোরিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অদু সেভ তৌখ্রবসু মিনিট ৯ চৎপদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা পেনাল্টি ফংদুনা অজিৎ য়াদবনা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র হোক্কী টিমনা মখা তানা খুদুম চনবগী মহয় ওইনা অহানবা ক্বার্টর লোয়গদবা মিনিট ২ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী ফেভরদা ফংখিবা পেনাল্টি অমা মখোয়গী কেপ্তেন অনমোল এক্কানা ১৩শুবা মিনিটতা গোল ওন্থোক্তুনা ২-০দা লৈহনখি। ক্বার্টর অসিগী ১৫শুবা মিনিটতা কোরিয়ানা মখোয়গী গোল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ওইনা পেনাল্টি ফংখ্রবসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা সেভ তৌখিবনা অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদসু ইন্দিয়ানা মেটচ অসি খুদুম চন্দুনা থম্বগা লোয়ননা ২১শুবা মিনিটতা প্রভদ্বিপ সিংহনা বোল অমা কোরিয়াগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরম্লগা নেট মনুং তম্না য়ৈশিন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী শোত্থরিবা গোলশিং হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লকখ্রবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্সকী লাইন অপনা নীংথিনা কন্ত্রোল তৌদুনা শান্নখিবনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩-০দা কোরিয়াদগী মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা মেটচ অসিগী ৭শুবা মিনিটনা পেনাল্টি অমা ফংখ্রবসু কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা সেভ তৌদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদবগা লোয়ননা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

ইন্দিয়ানা অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা হেন্না কনশিলক্তুনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখিবগী মহয় ওইনা পেনাল্টি অমা ফংবা ঙমখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা অমুক হন্না পেনাল্টি কোনর অমা ফংদুনা অশুমৌর্যনা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দুনা গোল ওন্থোক্তুনা টাইতল লৌনবগী লম্বী হেন্না নকশিলহনবা ঙমকখি। মেটচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফাওল অমা তৌরুবদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু কোরিয়াগী কেপ্তেন লি মিনহিয়োকনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-৪দা লৈহনবা ঙমখি।

কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা গোল হাপচিনবা হোৎনরক্তুনা শান্নরকপগী মহয় ওইনা মেটচকী লোয়রমদাই মিনিটতা পেনাল্টি অমা ফংখ্রবসু পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বা তাখি। মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা কোরিয়না অহেনবা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমদবদগী কোরিয়া ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থিদুনা নীংবা কায়হৌখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা অসিনা এফ আই ঐচ মেন'স জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা ক্বালিফাইয়র ওইবগী খুদোংচাবা ফংখি। ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা উৎখিবা মখোয়গী থোয়দোক হেন্দোকপা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক শান্নরোইশিংদা লুপা লাক্ষ ৩ / ৩ অদুগা সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংদনা লুপা লাক্ষ ১.৫ / ১.৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স হোক্কী টিমনা য়ূম্বু ওইরিবা চাইনাবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীদুনা জুনিয়র ৱুমেন'স এসিয়া কপ ২০২৬কী টাইতল লৌবা ঙমদুনা এফ আই ঐচ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমকখ্রবনি।

# ৩শুবা মিষ্টর ইবুধৌ তাংলৈ অথোইবা পাঙথোকখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (মব্বা)গী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডরস এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওইনাম লাইফম ইরৈমা লাইবুং ওইনাম মমাং লৈকায়দা ৩শুবা মিষ্টর ইবুধৌ তাংলৈ অথৌবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিংদা এ-৩ ফিটনেস খুরাইগী এমদি ইসহটিক হুসেননা অহানবা, সায়োন জিমগী মোইরাংথেম রাহুল মৈতৈনা অনীশুবা, এমকে ফিটনেস জিমগী চোংথাম মোমোনা অহুমশুবা তাখি।

বোদি পার্ফেক্ট ফিটনেস পাৎশোইগী ৱাহেংবম ধনারাজনা মরিশুবা, এ-৩ ফিটনেস খুরাইগী ৱাহেংবম কৈলাসনা মঙাশুবা, হকশেলগী খুম্বোংময়ুম তিপুনা তরুকশুবা, সায়োন জিমগী রোবিন্সন য়াংলেমনা তরেৎশুবা, সি এফ সি নম্বোলগী চান্দম রোহিটনা নিপালশুবা, এ৩ ফিটনেকী থৌদাম সুরজ মৈতৈনা মাপলশুবা, কে বি বি জিম তেরাগী অরিবম প্রসান্ত শর্ম্মন তরাশুবা অমসুং এ৩ ফিটনেসকী হাওবম থোইবানা তরামাথোই শুবা পোজিসন তাখি।

ষ্টেট লেভেল মেন'স ফিজিক্তা এ৩ ফিটনে খুরাইগী এম দি ইসহতিক হুসেননা অহানবা, হকশেলকী খুম্বোংময়ুম তিপুনা অনীশুবা, এ৩ ফিটনেসকী ৱাহেংবম কৈলাসনা অহুমশুবা তাখি।

মাউন্তেন জিমগী ৱাঙ্খেরাকপম অমর্জিনা মরিশুবা, বোদি প্রাফেক্ট ফিটনেস পাৎশোইগী ৱাহেংবম ধনারাজনা মঙাশুবা, সায়োন জিমগী রোবিন্সননা তরুকশুবা, সি এফ সিগী চান্দম রোহিটনা মরিশুবা য়ুনাইটেদ জিম বিষ্ণুপুরগী কারাম রাজিবনা নিপালশুবা, ইরন এদ্দিক্ট ফিটনেসকী লাইশ্রম ভিকাসনা মাপলশুবা অমসুং এ এম আই এনগী প্রকাস সাপমনা তরাশুবা তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোদি বিল্ডিংদা য়ুনাইটেদ জিমগী পুখ্রম্বম রেগাননা অহানবা, সি এফ সি নম্বোলগী চান্দম রোহিটনা অনীশুবা, আইরন এন্দ এদ্দিক্ট ফিটনেসগী লাইশ্রক বিকাসনা অহুমশুবা তাখি।

এ এম। পি এম ইম্পেক্ট জিমগী ওইনাম কেননা মরিশুবা অমসুং জিম অসিগী প্রসাক ওইনামনা মঙাশুবা, এম পি এ শাজেনশঙগী মুতুম য়াইমা মৈতৈনা তরুকশুবা,, জিম অসিগী নামৈরাকপম সুশিল মৈতৈনা তরেৎশুবা অমসুং ইথোইঔ ওইনামনা নিপালশুবা তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন'স ফিজিক্তা য়ুনাইটেদ জিম বিষ্ণুপুরগী করাম রাজিবনা অহানবা, আইরন এদ্দিক্ট এন্দ ফিটনেসকী লাইশ্রক বিকাসনা অহুমশুবা তাখি।

সি এফ সি নম্বোলগী চান্দম রোহিটনা মরিশুবা, এ এম। পি এম ইম্পেক্ট জিম বিষ্ণুপুরগী থিয়াম য়োহেনবনা মঙাশুবা, জিম অসিগী প্রকাস সাপমনা তরুকশুবা, এম পি এ শাজেন শঙ ওইনামগী মুতুম য়াইমানা তরেৎশুবা, জিম অসিগী ওইনাম রোবিন্সননা নিপালশুবা, ইথোই ওইনামনা মাপলশুবা অমসুং নামৈরাকপম সুশিল মৈতৈনা তরাশুবা পোজিসন তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱুমেন বোদি বিল্ডিংদা ঙাঙোম লক্ষমিনা অহানবা পোজিসন তাখি।

কেটাগোরি কয়াদা বোদি বিল্ডরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডর কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা শেলগী মনা, মোমেন্তো পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর লাইশ্রম রাধাকিশ্বর, সোসিয়েল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট ডা. থিংবাইজম স্বারনকুমার, সোসিয়েল ৱার্কর লোয়ননা থৌবাল জিল্লা পরিষদকী হান্নগী অউ অধ্যক্সা টি নুংশি, আই এফ বি এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি মব্বাগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে হরশ্যাম, ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ওইনাম এ সিগী মীরেপ ওইখিবা সিব কুমার ঙাঙোম, জেনরেল সেক্রেটরী সাপম জয়চন্দ্র, বি দি দি বি এ এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংনিংথৌনা অথোইবা মীথুং লেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# খোরিফাবা নম্বোলনা ৱিন্নর ওইখ্রে



মোইরাং, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তর সি আর পি এফ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ৩২ শুবা সি আর পি এফ লোক্তাকনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী সি আর পি এফ, এন ঐচ পি সি গ্রাউন্দদা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ক্রিকেট টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর খোরিফাবা নম্বোলনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা খোরিফাবানা এন কে সি এবু ৱিকেট ১০দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী থার্দ প্লেসনা সি আর ই এস এনা এ এম সি এবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীরম্লগা লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১২, রন্নর অপতা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৮ অমদি থার্দ প্লেসতনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫গা লোয়ননা ট্রোফি, সার্টিফিকেট অমসুং টি-সার্টনচিংবা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

হৌগৎলক্লিবা নহারোশিংবু ময়াই কাবা চীঙাক্তগী লাপথোক্লবা, হকচাং ফনা লৈনবা, লমচৎ শাগৎ ফজনবা, ফুরুপ মশেল নুংশি চান্না হিংমিন্নদুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা হান্নগী এম এল এ মোইরাংগী মাইরেনবম পৃথিবীরাজ, দিপ্যুটি এস পি সি দি ও বিষ্ণুপুর দি রোবিন্সন (এম পি এস) অমসুং ৩২ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লোক্তাকী কম্মান্দেন্ট অরুনকুমার মীনা অমদি বি এস এফ, সি আর পি এফ অমসুং মণিপুর পুলিসকী ওফিসাশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# অহানবা শিংজমৈ সুপর লীগ ২০২৬:

# ৱাই দব্লিউ ও অমসুং এন এল সি টি এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ চিঙামথক য়ুং লর্নরস ক্লব (সি ৱাই এল সি) শিংজমৈনা শীন্দুনা চিঙামথক্তা লৈবা সি ৱাই এল সিগী পিশুম গ্রাউন্দদা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ-২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা শিংজমৈ সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ ও থোকচোম লৈকাই অমসুং এন এল সি টি এল নিংথৌজম লৈকাই মায় পাক্লখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এন এল সি টি এল নিংথৌজম লৈকাইনা দব্লিউ ৱাই এস দি ৱাইখোম লৈকাইবু গোল ৬-১দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এন এল সি টি এলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এম লাবানা মেটচকী ১৯শুবা, জর্সি নম্বর ১০ এস রোবিন্সননা মেটচকী ২২শুবা অমসুং ৬১শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ২৩ টিঐচ জষ্টিননা মেটচকী ৩৫শুবা, জর্সি নম্বর ২০ টি য়াইসেম্বানা মেটচকী ৫৭শুবা অমসুং ৫৯শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি। মায়থিরবা দব্লিউ ৱাই এস দিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ পি মালেমঙানবনা মেটচকী ৩৪শুবা মিনিটতা চনখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই দব্লিউ ও থোকচোম লৈকাইনা ৱাই য়ু টি সি ও চিরোম লৈকাইবু গোল ৩-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিউ ওগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কেঐচ এলেক্সনা মেটচকী ৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৬ টিঐচ গিভসননা মেটচকী ২৪ শুবা অমদি ৪৫শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি।

# ষ্টেটকী গালর্স ফুটবোল টিম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৫দা গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা অন্ধ্র প্রদেশকী অনন্তপুরদা চথরিবা ডা. তালিমরেন আও জুনিয়র গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬-২৭তা মণিপুর সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি মণিপুরগী অরোয়বা লীগ মেটচ ওইনা শান্নখিবদা কেরলাবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিদা মকোক থোংবা মফম কন্দুনা সেমি ফাইনেল চবা ঙমখি।

মণিপুরগী সেমি ফাইনেল চঙবগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এস রোনিকানা মেটচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

প্লেয়র ওফ দি মেটচতা এস রোনিকানা তাখি।

# প্লেয়র ট্রোফি কাং টুর্নামেন্ট:

# ক্লাসা কাংখুৎ মায় পাকখ্রে



ইম্ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুল কাংখুৎ, য়াইস্কুল চিঙাখম লৈরকনা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা শ্রী শ্রী রাম গোপাল মন্দোপতা চথরিবা ১৯ প্লেয়র ট্রোফি লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্লাসা কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ক্লাসা কাংখুৎনা ঐচ এ দব্লিউ কে কাংখুৎপু পাঞ্জল ২২-১৩দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ক্লাসাগী অহানবা হাল্ফতা ৯ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ১৩ স্কোর তৌখি। মায়থিহৌরবা ঐচ এ দব্লিউ কে কাংখুৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা ৮ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ৫ স্কোর তৌখি।

হয়েং গোপলদেব (ওল্ড)কাংখুৎ অমসুং কে কে সি ও কাংখুৎনা শান্নরগনি।

# ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ মুইথাই ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিল্লিগী তালকাতোরাগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চহী অসিগী নম্বের ২৪দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৬শুবা নেসনেল মুইথাই চেম্পিয়সিপ (নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র, জুনিয়র, সব-জুনিয়র) ২০২৬তা মণিপুরগী টিম শেম্নবা মণিপুর মুইয়েথাই এসোসিয়েসন (এম এ এম টি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২০গী অয়ূক পুং ৭ তাবদা পোরোম্পাট ত্রেনিং সেন্তরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

এম এ এম টি এদা এফিলিয়েট তৌরবা শান্নরোইশিংদা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ানবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এমদি রাফিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এসিয়া হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ ট্রোফিদা পাকিষ্টান শরুক য়াগদৌরি

জলন্দর, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি)ঃ মথং থা ওক্টোবরদা পঞ্জাবকী মোহালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্টতা পাকিষ্টান য়াওনা লৈবাক তরুক্না শরুক য়ারগনি হায়না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ত মান্নন ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী য়েক্লবা ওইরিবা পাকিষ্টাননা লৈবাক অসিদা শান্নবগী অয়াবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী পোলিসিনা পীরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী ওক্টোবর ২৭তগী নম্বেবর ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ ট্রোফি অসিদা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, চাইনা,জপান, মালেসিয়া অমসুং কোরিয়ানা শরুক য়াগনি হায়না পানরি। করিগুম্বা টিমশিং অসিগী মরক্তগী তোকখিবা য়াওরকপদা মেনশিন্নবা রিজার্ভ টিম ওইনা ওমান অমসুং বংলাদেশ থম্লি।

এসিয়ন হোক্কী ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা শিনগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি জলন্দর অমসুং মোহলিগী হোক্কী ষ্টেদিয়মদশিংদা শান্নগদৌরিবনি। চহী খুদিংগী পাঙথোক্কদৌবা কম্পিটিসন অসি মমাঙগী চহীদদি পাঙথোকখিদে। চেন্নাইদা ২০২৩দা অমসুং চাইনাগী হুলুনবুইরদা ২০২৪দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়ানা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইনা শান্নখিবনি।

# ৱুমেন ফুটবোল লীগ লোয়শিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিপলভমেন্ট এক্রোস দি নেসন (স্পান্দান) স্কিমগী মখাদা ৬৯শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী চথরকখিবা ৱুমেন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা সাই আর সিনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শগোলমাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কৈবি কোমুদা প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ৱুমেন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সাই আর সিনা ই এস য়ুবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংনা অহুমশুবা মফম কনখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা সাই আর সিদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট, রন্নরস অপ তাখ্রবা ই এস য়ুদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৬কা লোয়ননা মেদল অমসুং সার্টিফিকেট, অহুমশুবা মফম কনখিবা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ১৬৯শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়নকী কম্মান্দেন্ট সিঐচ সুরেস কুমার, মেদল ফোর গেল্লেন্তরি (পি এম জি), সি আর পি এফ বট্টালিয়ন অসিগী দিপ্যুটি কম্মান্দেন্ট শাব্বির হুসেন, মেদিকেল ওফিসার নাশ্রীন খাতুন অমদি বট্টালিয়ন অসিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট দিপক কুমারনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

নকল অমরোমদা সি আর পি এফ ইন্সপেক্টর জেনরেল মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী মখাদা ৬৯শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ননা শীন্দুনা খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিপলভমেন্ট হায়বা থিমদা ইম্ফাল ইষ্টকী লৈতানপোকপী প্লে গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১২দগী চথরকখিবা মেন'স ফুটবোল টুনামেন্ট ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরনা ৱাই এস সি লৈতানপোকপীনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবা নুমিৎতা শান্নখিবদা ৱাই এস সিনা পি জে পি সি পুখাও খাবমবু পেনাল্টি সুট আউটতা মায়থিবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখি। টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ১৬৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ত সুরেস কুমার, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ত সঞ্জয় গোলুই য়াওনা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াদুনা মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা, মেদল অমদি সার্টিফিকেট পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# স্পোর্টস টেক্নোলেজি অমসুং মেনুফেকচরিংগী প্রপোজেল ব্রিক্স সম্মিটনা অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সি)ঃ ব্রিক্স ৱার্কিং গ্রুপ ওন স্পোর্টস টেক্নোলোজি এন্দ মেনুফেকচরিং কনক্লেভকী প্রপোজেলশিং থা অসিগী ১২দগী ১৩ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা ফমখিবা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিটনা এদোপ তৌখিবগা ন্যু দিল্লি দেক্লারেসননা অয়াবা পীখ্রে।

হিরম অসিদা অহানবা খোঙথাং অসি ইন্দিয়াগী চিয়ারমেনসিপ মখাদা চহী অসিগী ওগষ্টতা ভিসাখপত্নমদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স স্পোর্টস মিনিষ্টর মীটিংদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা পুখৎলকখিবনি।

শেমগৎ শাগৎনবা পুখৎলিবা শান্ন-খোৎনগী টেক্নোলোজি ৱার্কিং গ্রুপ অসিনা শান্ন-খোৎনবগী বিজ্ঞান, শান্নরোইশিংগী মগুন হেনগৎহনবা, শান্ন-খোৎনবগী লৈঙাক, স্পোর্টস সাইন্স, এঠলেট পার্ফোমেন্স, গভর্ণমেন্ট আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স, দিজিটেল ট্রান্সফোর্মসেন অমসুং ইনোভেসনদা অমগা অমগা কোওপরেসন পীনবদা মীৎয়েং থম্লি। লোয়ননা ইন্দিয়ানা মরুওইবা শন্নবগী লমশিংদা এক্সপার্টশিং গ্রপ অসিদা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লল্লোন-ইতিক্কী মীৎয়েংদগী য়েংবদা পোৎলম শান্নবগী ৱাফম অসিনা হকথেংনা কান্নবা পীবগী থৌওং য়াওরি। নবেম্বর দা রাজস্থানগী উদয়পুরদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা স্পোর্টস গুদস মেনুফেকচরি কনক্লেভ অসিন টেক্নোলোজি, অনৌবা মওং পুথোকপা, মগুনগী থাক ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মরক্তা ললোন ইতিক তৌনবা অমসুং সপ্লাই চেইন চেৎশিলহনবদা মীৎয়েং থমগনি। অমদি ইন্দিয়ানা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং পুথোকপগা মরী লৈন্না মশাগী লৈবাক্কী মনুংগী কাঙলোন শেমগৎলিঙৈ মনুং অসিদা লাকপনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনসুক মন্দাভিয়ানা ফোঙদোকখি।




SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com